# মাঞ্চেষ্টরদা এরিয়ানা গ্রান্দেগী কন্সর্টতা টেরর এটেক চথখ্রে, মীওই ২২ শিখ্রে



মাঞ্চেষ্টর, মে ২৩ :

য়ুনাইটেদ কিংদমগী লৈহাউদা চথবা খ্বাইদগী শাথিবা টেররিষ্ট এটেকশিংগী মনুংদা অমদা নিংথৌকাবগী অহিংদা মাঞ্চেষ্টর অরিনাদা পাঙথোকপা কন্সর্ট অমদা সুইসাইদ বোম্বর অমনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌবদা মীওই ২২ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৫৯ অশোক-অপন নংখ্রে।

অমেরিকান পোপ ঈশৈ শকপী এরিয়ানা গ্রান্দেনা মীওই ২০,০০০ হেন্না তিনখিবা কন্সর্ট অমদা পীবা মহাক্কী পার্ফোমেন্স লোইশিল্লবা মতুং মিনিট খরগী মনুংদা মাঞ্চেষ্টর অরিনাদা মশক খঙদবা নুপা অমনা ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) অমা পোকখায়হনখি।

থৌদোক অদুনা মহাকপু থম্মোয় কায়হল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা পোপ সিঙ্গর গ্রান্দে মশাদা থোইদোকপা অশোয়-অঙাম থোকহৌদ্রে।

এটেক অদুগা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা খন্ননবা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরিসা মেনা চ্যের লৌদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অৱাংবা থাক্কী ইস্মরজেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

এটেক্কর অদু শিখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌরদুনা বৃটিশ পুলিসনা মহাক মথন্তনা টেররিষ্ট এটেক পাঙথোক্লবা থবক তৌব্রা নৎত্রগা মহাক খরা চাউবা নেটৱার্ক অমদা য়াওব্রা হায়বদু খঙদোক্ল বা বৃটিশ পুলিসনা হোৎনরি। মখোয়না মাঞ্চেষ্টর অরিনাদা এটেক তৌখিবা মীওই অদুগী মরমদা হেন্না কুপ্পশিং খঙদোক্লবা নেসনল কাউন্টর টেররিষ্ট পোলিসীং নেটৱার্ক অমসুং য়ুকে ইন্টলিজেন্স সার্ভিসেসকা খুৎশম্ননা থবক তৌরি। ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা মহাক্কী অকুপ্পশিংগী মরমদা ৱাখলনা পংশা শাজিন্দনবা আপিল তৌখ্রে। চীফ কন্সটেবল ইয়ান হোপকিন্সনা মীয়ামদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা তৌইগুম্বসুং মশা মশাগী মথৌ কায়দনা তৌনবা আপিল তৌখি।

মিলিটেন্টশিংনা এটেক অমা চথরকপা য়াই হায়বসি খন্নবগা লোয়ননা হৌজিক লৈবাক অসি অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা মিৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে। থৌদোক অসি কুমজা ২০০৫ গী লন্দন বোম্মিংগী মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা টেরর এটেক ওইরি। বোম্মিং অদুদা এটেক্করশিং য়াওনা মীওই ৫০ হেন্না শিখিবনি।

উহৌবশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, মাঞ্চেষ্টর অরিনা মনুংদা অহৌবা মখোল অমা তাখি অমসুং মদুদা মীপাইনরবা মীয়ামনা থোং তম্না চেন্নখি। কন্সর্ট চৎপী জেন্নি ব্র্যুষ্টরনা হায়খি, মফমদুদগী মহাক্না মচানুপী পুথোক্তুনা থোকপদা মৈ হৌবা থেংনখি।

কন্সর্ট মফমদুগা খ্বাইদগী নক্লবা ভিক্টোরিয়া ট্রেন ষ্টেসন এটেক অদুগী মতুংদা থিংজিনখি।

# টেরর ফন্দিং তৌবা লাকশিন্নবা য়ু এস অমসুং গল্ফকী লৈবাক ৬ পুন্না থবক তৌমিন্নরগনি



ৱাশিংটন, মে ২৩ :

লাস্কর-ঈ-টাইবা, হক্কানি নেটৱার্ক অমসুং টালিবানগুম্বা শাথিরবা টেরর গ্রুপশিং ফাইনান্স তৌবা লাকশিন্নবা য়ু এস অমসুং গল্ফকী লৈবাক তরুক খুৎশম্নখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী হিষ্টোরিক ওইরবা খোঙচৎকী নাকোয়ননা রিয়াদতা য়ু এস অমসুং গল্ফ কোওপরেসন কাউন্সিল (জি সি সি) গী মেম্বর তরুক্না মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা সাইন তৌনখ্রে হায়না য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রেজরিনা ফোঙদোকখ্রে।

টেরর গ্রুপশিং ফাইনান্স তৌবা থিংবদা য়ু এসকা খুৎশম্নননা চৎমিন্নগদৌরিবা গল্ফকী লৈবাক তরুক অদুদি বাহরাইন, কুৱেট, ওমান, কটর, সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ু এ ঈনি।

এম ও য়ু সাইন তৌনবসিগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং জি সি সিগী লৈবাক তরুক্না আই এস আই এস, অল-কাইদা, হিজবুলা, লাস্কর-ঈ-টাইবা, টালিবান অমসুং হক্কানি নেটৱার্ক য়াওনা অনৌবা অমসুং শকওং কয়া লৌরক্লিবা টেররিষ্ট নেটৱার্কশিংগা থেংনরগনি' হায়না টেররিষ্ট ফাইনান্সিং টার্গেটিং সেন্টর (টি এফ টি সি) লিংখৎনবগী এগ্রীমেন্ট অদু সাইন তৌনরবা মতুংদা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রেজরিনা হায়খি।

# মফম লৌথোকখ্রবা সাউথ কোরিয়ন লীদর পার্ক গ্যুন-হয়েগী ৱায়েল হৌখ্রে



সিওল, মে ২৩ : সাউথ কোরিয়াগী মফম লৌথোকখ্রবা প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হয়ে শকফম কায়বা নুংঙাইতবা মায়থোংগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মখুৎ হেন্দকফ চন্দুনা কোর্টতা পুশিনখিবগা লোয়ননা করপসনগী অচৌবা ৱাথোক অমগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা ৱায়েল চথবা হৌখ্রে। করপসনগী চার্জ কয়াগী মরক্তা মীওই মিলিয়ন কয়ানা লম্বীদা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌনরকপদগী মহাক নমদুনা পৱার থাদোকহনখিবনি।

মফম তাখ্রবা প্রসিদেন্ট অসিনা মায়োক্লরিবা চার্জশিংদা ৱানোমশেল লৌবদা চেন্নবা, ষ্টেট পৱার লান্না শিজিন্নবা অমসুং ষ্টেটকী অরোনবশিং লিক ওইহনবা য়াওরি।

হৌখিবা মার্চতা মহাকপু পুলিসনা ফাখিবদগী অহানবা ওইনা মীয়াম মাঙদা থোক্লকপদা মহাক কেপিটেল সিওলগী সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা প্রিজন ভেন অমদা হেন্দকফ চল্লগা থুংখি।

মহাক্কী হিগোক মচুগী ট্রাউজর সুটতা প্রিজনর নম্বর থেৎপা উখি অমুং মশাদা কে-মৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

কোর্ট মনুংদুদা মতম শাংনা অরোনবা কয়া খঙহনখিবা অমসুং মহাক্কা লোয়ননা মরাল শিখ্রবী চোই সূন-সিলনা মঙোন্দা য়েংলকপদা মহাক্না মিৎয়েং ফাংনদনবা হোৎনখি।

সাউথ কোরিয়াদা করপসনগী খ্বাইদগী চাউবা চৈরাক্তি পুন্সি চূপ্পা জেলদা লৈহনবনি। পার্কপু মরু ওইনা মহাক্কী মমান্নবী চোই সূন-সিলগা লৌতুনরগা সেমসং য়াওনা সাউথ কোরিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা কম্পেনিশিংগী মনুংদা খরদগী শেল চাউনা লৌথোক্লগা পোলিটিকেল ফেভরশিং পীথোকই হায়না মরাল শীরিবনি।

ত্রাইঅল হৌবদুদা চোই সূন-সিলসু পার্ককী নাকলদা ফমখি। মঙোন্দা শীরিবা অরানবা তৌবগী মরালশিং য়াদ্রিবনি।

ত্রাইঅল অদু হৌবদা হান্নগী প্রসিদেন্টগী লোয়রশিংনা কোর্টতা হায়খি মদুদি, চৈইসিলসুমশানা শিজিন্নখিদবা শেনফমশিং পার্কনা কম্পেনিশিংদা নমদুনা দোনেসন তৌহন্নবগী মরম অমত্তা লৈখিদে।

ত্রাইঅল অদু হৌবদা জুরি য়াওদনা মীওই অহুমগী পেনেল অমা লুচিংলিবা প্রিসাইদিং জজ কিম সে-মুননা মঙোন্দা 'এক্যুজ পার্ক গ্যুন হয়ে নহাক্কী শিনফম করিনো' হায়না হংখি। মদুদা মহাক্না শেল থোকপা থবক তৌখিদে হায়না খুমখি।

মশাগী চহী ৬৫ শুরবা পার্ককী ত্রাইঅল অসি থা কয়ামুক চঙগনি হায়না পানরি। মহাক করপসনগী ত্রাইঅল মায়োক্লবা সাউথ কোরিয়াগী অহুমশুবা হান্নগী প্রসিদেন্টনি।

লৈবাক মীয়াম হুপ্পা মফম কয়াদা লেপ্তুনা দেমোন্সট্রেসন চথরকখিবা মতুংদা মহাক হৌখিবা দিসেম্বরদা পার্লিয়ামেন্টনা ইম্পিচ তৌখিবনি।

# ৱান্নাক্রাই এটেকশিং নোর্থ কোরিয়ানা চথবা ওইরম্লে, মালেসিয়াগী কম্পেনি ২সু চেন্নরম্লে

কুলা লম্পুর, মে ২৩ : 'ৱান্নাক্রাই' হায়বা ৱাহৈ অসি হৌজিক্তি মালেসিয়নশিংনা মুন্না খঙনরে অমসুং মখোয় ৱান্নাক্রাইনা দিজিটেল রেন্সম তান্দুনা চথবা এটেক্কী খ্বাইদগী নৌবা ভিক্টিম ওইবা পামদে।

অদুম ওইনমক মী অয়াম্বনা খঙনদবা মওংদা সাইবর সিক্যুরিটি রিছার্চরশিংনা ফৎত্রবা রেন্সমৱ্যেরগা নোর্থ কোরিয়াগী এলিট ইন্টলিজেন্স এজেন্সি অমগা মরী লৈনৈ হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। মালেসিয়াগী টেক কম্পেনি অনীগা নোর্থ কোরিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সি অদুগা মরী লৈনৈ হায়বসু রিছার্চরশিংদুনা মখা তানা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

চহী ২০ চূপ্পা নোর্থ কোরিয়াগী স্পায়িং টেক্নিকশিংগী মরমদা কুপ্পা ষ্টদি তৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী পুলিস রিছার্চর য়ূ দোং-ক্ব্যলনা মালেসিয়া অসি সাইবর এটেকশিং চথবগী 'বেজ' ওইনা শিজিন্নরক্লম্বা য়াবগী চিংনবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রোইটর্সনা চথবা ইনভেষ্টিগেসন অমগী মতুং ইন্না, মালেসিয়াগী টেক কম্পেনি অনী নোর্থ কোরিয়াগী রিকোগনিসন্স জেনরেল ব্যুরো (আর জি বি) স্পাই এজেন্সিগা লিঙ্ক লৈনখি। নোর্থ কোরিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী য়ুনিট ১৮০ কৌবা স্পেসল সেল অমা লৈ হায়না আই পি টাইমসনা হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী লীদরশিপকী মরমদা এক্সপার্ট অমা ওইরিবা মাইকল মেদ্দননা য়ুনিট ১৮০ অদু নোর্থ কোরিয়াগী ইন্টলিজেন্স কম্ম্যুনিটিদা য়াওবা এলিট সাইবর ৱারফেয়র গ্রুপ কয়াগী মরক্তগী অমনি হায়বসি খঙলে হায়খি।

য়ুনিট - ১৮০ হায়বসি করিনো হায়বগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়ানা হান্না কম্প্যুটর সাইন্সকী প্রোফেসর অমা ওইনা থবক তৌরকখিবা কিম হ্যুং-কৱাংনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি মদুদি, য়ুনিট ১৮০ গী সাইবর এটেকশিংগী পান্দমদি শেল খোমগৎপনি।

'হেক্করশিংনা মখোয়গী লংলা-লংজিন অমত্তা লৈহন্দনবা নোর্থ কোরিয়াদগী হেন্না ইন্টরনেট সার্ভিসশিং ফবা মফম থিদুনা মপান্দা চৎলি' হায়না কিমনা মখা তাখি।

# চাইনানা নোর্থ কোরিয়াদা য়ু এন রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনদনবা তকশিনখ্রে

বৈজিং, মে ২৩ :

চাইনানা নোর্থ কোরিয়াদা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা লোয়ননা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাও-নদনবা তকশিনখ্রে। পিয়োংয়াংনা ইন্টরমিদিয়েট রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌরে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা বৈজিংনা নোর্থ কোরিয়াদা ৱাফম অসি তকশিনখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মরু ওইবা মীচং ওইরিবা চাইনাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুৎলায় প্রোগ্রাম কন্না পায়খৎলিবা নোর্থ কোরিয়াবু লাকশিন্নবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চহীগী অহৌবদগী নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংবু থওইদবীদা মিসাইল দজন কয়া কাপখ্রে অমসুং ন্যুক্লিয়র বোম অনী চাংয়েং তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় য়াওগদবা মিসাইল অমা পুথোক্লবগী থৌরাংশিং মালেমদা ইফোং ফোংনা পায়খৎতুনা লাকখি অমসুং চাইনা য়াওনা লৈবাক কয়ানা খুৎলায় প্রোগ্রাম থাদোক্লবা তকশিনবদা থৌশাদনা লাকখি। পিয়োংয়াংনা খুৎলায় প্রোগ্রাম অদু য়ু এসকী অকন-অরিংগী থৌওংশিং মায়োক্লবদা তঙাই ফদনা চঙই হায়রি।

চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা নোর্থ কোরিয়াদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং অমুক হন্না খোঙ্গাওনগদবা থবক অমত্তা পায়খৎতনবা তকশিনখি। নোর্থ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা নোংমাইজিং নুমিৎকী মিসাইল লোঞ্চ অদু মশিং য়াম্না শাবা য়ারগদবা মওংদা টেক্নিকেলগী তঙাই ফদবা খুদিংমক শুনা য়াওরে হায়খি।

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MOIRANG

***Ref:- Mut. Case No. 115/AS&SO/MRG dated 23/05/2017***

1. Kumam Inaocha Singh s/o (L) Achouba Singh of Moirang Kumam Leikai, 2. Kumam (o) Ibeyai Devi w/o Inaocha Singh of -do-.

... Petitioners

-VS-

(Late) Kumam Bhagat Singh s/o (L) Achouba Singh of Moirang Kumam Leikai.

... O.P. Party

**/NOTICE**

Moirang, the 23rd May, 2017

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৩৫০ (অরিবা), ১০৬ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১৮৮/পি এরিয়া ০.০৩৩ একর চাউবা লম (ইঙ্খোল) অসিগী Pattadar মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী মৃত পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Moirang

HL-P/0788/24

## /EMPLOYMENT NEWS

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT : FORESTS & ENVIRONMENT DEPARTMENT

NOTIFICATION
Imphal, the 20th May,2017.

No.03/01/2016-For. & Envt.: In continuation of this Government Advertisement dated 19-11-2016, the number of vacancies of direct recruitment for the post of Range Forest Officer under Rangers' Recruitment Rules 1996 stands increased from 20(twenty) to 28 (twentyeight).

The categorywise distribution of posts are as below:

| Total No. of Posts | UR | SC | ST | OBC(Meitei) | OBC(Meitei Pangal) |
|---|---|---|---|---|---|
| 28 | 10 | 0 | 11 | 6 | 1 |

Sd/-
Kengoo Zuringla
Joint Secrtary(Forests & Envtironment)
Government of Manipur.

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST : LAMSANG

***Ref:- Mut Case No. 490/SDC/IW-L/ 2017***

1. Thokchom (o) Maichon Devi w/o (L) Th. Ibomcha Singh of Lamlongei Tera Urak, 2. Thokchom Pahari Singh s/o (L) Th. Ibomcha Singh of Lamlongei Tera Urak.

*-Petitioners*

-Vs-

Late Thokchom (o) Manglem Devi d/o (L) Khomei Singh of Lamlongei Tera Urak.

*-O.P. Party*

**/NOTICE**

The 23/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থোকচোম ওংবী মংলেম দেবী, পীং মৃ: খোমৈ সিংহ, সাং লম্লোঙ্গৈ তেরা উরক্কী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৫-লম্লোঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ৯৯/৩২২, দাগ নং ১৩৪০/১৩৮০ অমসুং এরিয়ানা ০.১৮ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/0806/24*

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST : LAMSANG

***Ref:- Mut Case No. 477/SDC/IW-L/ 2017***

Ningthoujam (o) Thaibema Devi w/o (L) N. Gyaneldro Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai.

*-Petitioner*

-Vs-

Late Ningthoujam Gyanedro Singh s/o (L) Indra Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai.

*-O.P. Party*

**/NOTICE**

The 22/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নিংথৌজম জ্ঞানেন্দ্রো সিংহ, পীং মৃ: ইন্দ্রা সিংহ, সাং থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকায়গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৪-লম্বালগী অনৌবা পাট্টা নং ৯৮/৩৮১, দাগ নং ১৩১/৫৬৯ অমসুং এরিয়ানা ০.৫৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/0778/24*






## /EMPLOYMENT NEWS

### Join Indian Army Recruitment – Territorial Army Officers Vacancy – Last Date 30 June 2017

Indian Army invites Application for the post of Territorial Army Officers. Apply before 30 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Army Details :**

Post Name : Territorial Army Officers
No. of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Not Specified

**Eligibility Criteria for Indian Army Recruitment :**

**Educational Qualification :** Graduate from any recognized university.
Age Limit : Minimum and Maximum age limit is 18 to 42 years (as on 01.06.2017)

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Exam & Interview.

**Application fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- through Online.

**How to Apply Indian Army Apply :**
Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in on or before 30.06.2017

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.06.2017
Last Date for Submission of Online Application : 30.06.2017
Date of Exam : 30.07.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : https://indianarmy.nic.in/writereaddata/documents/TA%20Comm%20advt%2005051 7%20-%20for%20online.pdf*

***Apply Online :*** *http://www.joinindianarmy.nic.in/*

### ECoR Recruitment – East Coast Railway – 588 Apprentice Vacancy – Last Date 17 June 2017

**East Coast Railway Recruitment 2017**

East Coast Railway Railway Recruitment Cell, (RRC/ECoR) invites application for the post of 588 Apprentice in various disciplines. Apply before 17 June 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : ECoR/RRC/Act Appr/2017

**Job Details :**

Post Name : Apprentice
No. of Vacancy : 588 Posts
Pay Scale : Not Specified

**Unit wise Vacancy :**

Carriage Repair Workshop, Mancheswar, Bubaneswar : 97 Posts
Khurda Road Division : 30 Posts
Waltair Division : 461 Posts

**Eligibility Criteria for East Coast Railway Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate must have passed 10 th class examination or its equivalent (under 10+2 examination system) with minimum 50% marks, in aggregate, from recognized Board and also should possess the National Trade Certificate in the notified trade issued by NCVT/SCVT.

Nationality : Indian

Age Limit : Minimum and maximum age limit is 15 to 24 years as on 17.06.2017
Age Relaxation : 05 years for SC/ST Candidates & 03 years for OBC Candidates

**Job Location : Bhubaneswar (Odish)**

**Selection Process :**
Selection will be on the basis of merit. The merit list will be prepared for the purpose on the basis of taking average of matriculation plus ITI (in the trade in which Apprenticeship is to be done) marks.

**Application Fee :**
Candidates have to pay Rs.100/- through debit card / credit card / Internet Banking / e-wallets, etc. No fee is required to be paid by SC/ST /PH/Women candidates.

**How to Apply East Coast Railway Vacancy :**

Interested candidates may apply Online through the website www.rrcbbs.org.in from 18.05.2017 at 11:00 hrs to 17.06.2017 till 17:00 hrs. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application form : 18.05.2017
Last Date for Submission of Online Application form : 17.06.2017

***Important Links :***
*Details Advertisement Link : http://rrcbbs.org.in/Notification%20Act%20apprentice_Final.pdf*

***Apply Online :*** *https://apprentice.rrcbbs.org.in/*